মনিপুরনা পুন্না মেডল ২৮ লৌদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ট্রোফি লৌনবগীদমক শেম-শাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ গুৱাহাতিগী পলতন বজারদা লৈবা সাই কমপ্লেক্সতা চথরিবা ইষ্ট জোন খেলো ইন্দিয়ান ওপন বেক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২ দা মনিপুরনা জুনিয়ারগী ওইনা গোল্ড ৬, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৯ লোয়ননা য়ুঠতা গোল অমদি সিলভর মেডল ৬ / ৬ লৌবা ঙমদুনা হয়েং লোইশিনগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌনবগী শেম-শাখ্রে।

হয়েং ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাংথোকখিবা জুনিয়ার গার্লসকী ফাইনেল বাউটশিংদা কে জি ৪৬ গী ওইনা মনিপুরগী এলাংবম থোইচানা অসামগী ই পেগুবু থোইদুনা গোল্ড লৌখি। কে জি ৪৮ কী কাংলুপতা মনিপুরগী এস সুরমালানা অসামগী রিম্পি পেগু, কে জি ৫০ দা মনিপুরগী ইষ্টর বাইতেনা অসামগী ভারতিকুমারী, কে জি ৫৪ দা মনিপুরগী থৌচোম সুপ্রিয়ানা অরুনাচল প্রদেশকী তহার পয়া, কে জি ৬০ গী কাংলুপ্তা মনিপুরগী তেনশুবম সন্ধ্যরানিনা মনিপুরগী পুয়ালক্ষ্মি খুন্দ্রাকপম, কে জি ৬৩ দা মনিপুরগী কিমহোইচোং কারোং কোমনা অসামগী কনকোনা সাইকিয়াবু মায়থিবা পিবা ঙমখি। লোয়ননা জুনিয়ার গার্লসকী ওইনা মনিপুরগী কে জি ৪৬ তা লাইশ্রম জয়লক্ষ্মি অমদি থৌনাওজম অঞ্জলিনা, কে জি ৪৮ তা এম সাগর চনু, লুৱাংলৈমা সোরাম, কে জি ৫০ দা ঐচ জেনিকা অমদি এন রিপা, কে জি ৫৪ দা পি ঐচ রেনুকা, কে জি ৫৭ দা ইনাইকা থিয়ামনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাংথোকখিবু য়ুথ ৱুমেন্সকী ফাইনেল বাউটশিংদা মনিপুরগী ওইনা কে জি ৪৮ কী কাংলুপ্তা এলাংবম থোইথোই চনুনা মনিপুরগী সোনিয়া দেবী সোরাইশম, কে জি ৫০ দা মোইরাংথেম লক্ষ্মীনা অসামগী দিপানজুলি দাইমারি, কে জি ৫২ দা মনিপুরগী হুইদ্রোম করুনা দেবীনা অসামগী আর বালা বাসুমাতারি, কে জি ৫৪ দা মনিপুরগী হুইদ্রোম রেবিয়ানা নিংথৌজম মন্দা, কে জি ৫৭ দা অসামগী সুমিত্রা বর্ম্মনা মনিপুরগী থৌদাম প্রমেশ্বরী, কে জি ৬০ দা মিজোরামগী নাওমচিংশাননুৱামীনা মনিপুরগী অহোংশাংবম কাজল, কে জি ৬৩ দা মনিপুরগী মেলোদি কিলোংনা মিজোরামগী রুদি অলমিনমুৱানি, কে জি ৬৬ তা মনিপুরগী ক্ষেত্রিময়ুম সিলকিনা মনিপুরগী চিংৱানকিম অমদি কে জি ৭০ দা অসামগী নোমি বোরানা মনিপুরগী মাংতেং সিন্দিকোম মায়থিবা পিবা ঙমখি।

মনিপুর ষ্টেট লিগকী মেটচশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিয়েসন অসিনা শিন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা চথরিবা ১৫ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২২ অমদি অনিশুবা অম্ফাল কপ ২০২২ গী মেটচশিং থা অসিগী ২৬ ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা পাংথোক্কদৌরিবা এ এফ সি- সি দিপ্লোমা কোর্স (মোদুল টু) অসি লৈবতা নত্তনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়ম শিজিন্নবা য়াবগী অয়াবা ফংদবনা মরম ওইরগা মনিপুর ষ্টেট লিগ অমদি অম্ফা কপ অসি মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকপনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোটিরমোইরোইনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

অম্ফানা গ্রাসরুট ইভেন্ট পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা গ্রাসরুপ ইভেন্ট পাংথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা গ্রাসরুট ইভেন্ট অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট কলিয়ান চৌবে অমদি মহাক্কী এ আই এফ এফ কলিগশিং শরুক য়াগনি হায়রি। মরম অদুনা ইভেন্ট অসিগীদমক্তা সেপ্তেম্বর ২৫ গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা গ্রাস রুট সেন্টরশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোই ২০। ২০ শোয়দনা থারক্কদবনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

ৱাই দব্লিউ এ না টি ৱাই দি এ এফ এ মায়থিবা পিখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনিট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৬ শুবা লেট এন বালানন্দ সিংহ মেমোরিয়েল মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২২-২৩ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোংনা টি ৱাই দি এফ এ তৌবুলবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পিবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা দি জেনপুনা সেন্টর রেফ্রি, কে বিশালনা এসিস্টেন্ট রেফ্রি ৱান, দব্লিউ জোনসননা এসিস্টেন্ট রেফ্রি টু, অমদি ও সনাতোম্বীনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। লম্বা চানা থেংনখিবা মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ এ গী ঐচ সনাথোইনা মিনিট ১২ চৎপদা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অসি চন্দুনা লম্বা ওইরিবা টি ৱাই দি এফ এবু মায়থিবা পিবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ এ গী ও রোজরবু অনিশুবা হাফকী মনুং চন্না পুন্না মিনিট ৬৪ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা এঞ্জেল ক্লব থিনুংগৈগা টি ৱাই দি এ এফ এ তৌবুলগা অমদি নুংথিল পুং ২.৪৫ চৎপদা এন জি ৱাই দি সি ঙাচৌপোকপিগা ৱাই দব্লিউ এ নিংথৌখোংগা লম্বা থেংনরগনি।

বেক্কর হুইদ্রোম, পারি শর্ম্মা মায়পাকখ্রে

লম্ফেলগী ওফিসার ক্লবদা চথরিবা ৪১ শুবা ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়ন্সিপগী নুপাগী সিঙ্গলস মেটচশিংদা বেক্কর হুইদ্রোমনা দব্লিউ পদমেশ্বরবু ষ্টেট সেটতা ৬-১, ৬-২ দা, এন প্রেমজিৎনা কে ঐচ ইন্দ্রকুমারবু ৬-০, ৬-৩ টি ঐচ রিবসেখরনা অজাদ খানবু ৬-১, ৬-৩ অমদি এস বিকিনা টেনগী কাংলুপ্তা পারি শর্ম্মনা ধরুপ মালিকপু ৩-৫, ৪-১, ১০-৪ দা টি ঐচ রানচরনা অরনোপ মালিকপু ৪-০, ৪-২ দা মায়থিবা পিখ্রে। নুপাগী দব্বলসকীদা রামকুমার অমসুং অহেনবগী জুরানা অধর আলি অমসুং ভি এস নাগীগী জুরাবু ৬-০, ৬-০ দা টি ব্রোজেন্দ্রো অমসুং বেক্করগী জুরানা জোসুৱা অমসুং লনচেনববু ৬-১, ৬-২ দা বিরচন্দ্র অমসুং প্রেমজিৎকী জুরানা কোরৌঙানবা অমসুং দিঙ্কুবু ৬-১, ৭-৬, (৭-৩) দা মায়থিবা পিখ্রে। নুপাগী চহি ৪৫ মথক্কী দব্বলগী ইভেন্টতা জয়েন্তা অমসুং মনিকান্তা অনিগী জুরানা সুভাসচন্দ্র অমসুং কিশ্বোরজিৎপু ৬-১, ৬-১ দা ৱাই ইবোহনবী অমসুং লক্ষ্মিকান্তগী জুরানা প্রকাশ অমসুং কুমারজিৎকী জুরাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পিখ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপী কাংলুপকী ওইনা চহি ১৪ মখাগী সিঙ্গলসতা হেনা সনানা অঞ্জলিকাবু ৫-৩, ৪-২ অবাস শর্ম্মনা ও দামিলিবু ৪-০, ৪-০ দা নুপীগী সিঙ্গলসতনা নন্দিনিনা অবুবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থিবা পিরগা হেনসনানা থোইবী লাক্তবদগী ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

এ প্রতাপ সিংহ মেমোরিয়েল এম য়ু ইন্টর কলেজ মেন্স ফুটবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ মনিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি কাঞ্চিপুরগী মিৎয়েং মখাদা মোইরাং কলেজনা শিন্দুনা ওক্টোবর ৮ দগী এ প্রটাপ সিংহ মেমোরিয়েল মনিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কলেজ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নমেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি এস দেবেননা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না টুর্নান্টে অসিদা শরুক য়াগদবা কলেজশিংগী লাষ্ট দেট ওফ এন্ট্রি ওক্টোবর ৪ গী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইগনি। হায়রিবা টুর্নমেন্ট অসিগী মেনেজর্স মিটিং অমদি ফিকচর ড্রোনা ওক্টোবর ৪ গী নুংথিল পুং ১-৩০ তাবদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস ডিপার্টমেন্টতা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা শরুক য়াগদবা কলেজ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুটশিংনা অকুপ্পা মরোল অমদি এন্ট্রি ফোর্মশিং মোইরাং কলেজ নৎত্রগা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডিপার্টমেন্ট অফ স্পোর্টসতগী লৌরবা য়াগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মনিপুরদা লৈরিবা মনিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌরবা কলেজ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুৎ খুদিংমক্না টুর্নমেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদম মতম চানা ফোর্ম লৌরনবা অমদি পীশিল্লনবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরিগী চেরোলসিনা মখা তারি।

ডিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী সুপর অমদি ফার্ষ্ট দিবিজন লিগ হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ ডিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা হয়েংদগী লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা ২০ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী সুপর দিবিজন ফুটবোল লিগ অমদি ১৯ শুবা কে এস ঐচ কেসোকুমার মেমোরিয়েল ফাষ্ট ডিবিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ চথবা হৌরগনি হায়রি।

ডাক্তর টি ঐচ ওজিৎনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সুপর ডিবিজন লিগ অসিদা পুন্না টিম ৯ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা লম্বা থেংনগদৌরি। গ্রুপ এ দা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ক্লব (এস ডব্লিউ সি) কৈরক, য়ুনাইতেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিয়েসন(য়ু বি এস এ), জুবিনাইল এসোসিয়েসন (জে এ), সোসিয়েল ৱেফেয়ার ক্লব (এস ডব্লিউ সি) ৱাইখোং অমদি য়ুঠ ৱেলফেয়ার য়ুনিয়ন(ৱাই ডব্লিউ য়ু), গ্রুপ বি দা লাইফ য়ুঠ এসোসিয়েসন (এল ৱাই এ), সেনা এঠলেটিক ওর্গেনাইজেসন (এস এ ও), কৈরক মখা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ক্লব (কে এম এস ডব্লিউ সি) অমদি ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন(এ কে এস এ) হায়রিবশিং অসিনা শরুক য়াগনি। ফার্ষ্ট ডিবিজনগী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি দি ৱাই এ, এস এফ সি, য়ু সি সি, এস ডি ও, এল এম এল সি সি, পি এস ৱাই সি অমদি এ আই এফ এ হায়রিবশিং অসিনি।

নন রেসিন্দেন্সিয়েল বেদমিন্টন কোচ্চিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ ওল চান্দেল ডিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী চান্দেলগী জাফৌ বজারদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌবা নন রেসিডেন্সিয়েল বেদমিন্টন কোচ্চিং ২০২২ চথবা হৌখ্রে।

ওক্টোবর ২২ ফাওবা মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচ্চিং অসিদা মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী কোচ ওইনা লৈরিবা লাইশ্রম দিক্সন সিংহনা শান্নরোয়শিংদা তাকপি তন্বীগদৌরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী গ্রাসরুট লেবেলদগী হৌরগা অফবা শান্নরোয় কয়ামরুম পুথোক্কবগী পান্দম অমগা লোয়ননা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচ্চিং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা চহী নৌরিবা নুপা অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: *ireibak@yahoo.com* Fax - **2461901**